## টেম্পররি পোষ্ট খরা লৌগদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫(ঐচএনএস):
মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনদা টেম্পররি পোষ্ট খরা লৌনবা মরী লৈনবা ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জশিংগী খূথাংদা স্পোন্সর তৌরকপা য়াগনি হায়রি। টেম্পররি পোষ্টতা লৌগদৌরিবা পোষ্টশিং অদুদি, ষ্টেনোগ্রাফর গ্রেদ থ্রী (অনরিজার্ব-১), এল দি সী (অনরিজার্ব-১), দ্রাইভর (অনরিজার্ব-১), পিওন (অনরিজার্ব-২), চৌকিদার কম স্বীপর (অনরিজার্ব-১) নি হায়না লোগী এদিসনেল সেক্রেটরি নুংশিতোম্বী অথোকপমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## ইরাবত নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫(ঐচএনএস):
ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি, লমসাং লোকেল কাউন্সিলনা শীন্দুনা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২১ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ময়াং লাংজিং কম্যুনিটি হোলদা ঙরাং নীংশিং থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগী মাঙওইননা নোংচুপ কমেংদা অথৌবা রেভল্যুসনরি অসিনা লৌমীশিংগা পূন্না মীফম পাঙথোক্লম্বা মফম মৈস্নাম কোল্লুপ্তা মহাক্কী মীতমদা পিপল সার্ভিস কোরগী কটিঞ্জেন্ট অমনা রেদ সেল্যুট পীখি অমসুং মীয়াম্না হৈকৎ-লৈকৎ তমখি হায়রি।

## মার্চ পাস কম্পিটিসন পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫(ঐচএনএস):
ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এ আই এস এফ) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা শীন্দুনা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেন পেলেস কম্পাউন্দদা থা অসিগী ৩০ দা লময়ানবা ইরাবতকী লাইফ সাইজ মীতমদা সেল্যুট পীদুনা মার্চ পাসকী থৌরম পাঙথোক্কনি হায়রি। কম্পিটিসন অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা ইন্সটিট্যুসনশিং, ওর্গনাইজে-সনশিং অমদি বেন্দ পার্টিশিংনা অথোই-অহেন তান্নবা অসিদা শরুক য়াবীনবা এ আই এস এফকী প্রসিদেন্ট এন সনাহলনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। মার্চ পাস কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়াগদবা কন্টিঞ্জেন্টশিংনা থা অসিগী ৩০গী নুমিৎয়ুংবা মতুং পুংখায় চৎপদা সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি। লোয়ননা মার্চ পাস কম্পিটিসন অসিগী ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতমনা থা অসিগী ২৭ ফাওবনি হায়রি।

## পেন্টিং কম্পিটিসনগী রিজল্ট লাউথোক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫(ঐচএনএস):
মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল ফোর চাইল্ড ৱেলফ্যের মোইরাংখোম কৈথেলগী ওফিসতা থা অসিগী ২৩ দা পাঙ-থোকখিবা নেসনল চিলদ্রেন পেন্টিং কম্পিটিসন ২০১৭ গী রিজল্ট লাউথোক্লে। চহী ৫ দগী ৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা গ্রীন গ্রুপ্তা মণিপুর ষ্টেন্দর্দ হায় স্কুলগী দল্লিয়ু মিক্কিনা অহানবা, নির্মালাবাস হায় স্কুলগী গুরুময়ুম গ্লোরিনা অনীশুবা অমসুং দি বেজ একাদেমিগী ঙানবা নিংথৌজমনা অহুমশুবা তাখ্রে। চহী ৯ দগী ১২ ফাওবগী মনুংদা লৈবা হ্বাইট গ্রুপকীনা ভিক্টোরি হায় স্কুলগী নাওরেম রাজনা ফার্ষ্ট, কে ভি এস নম্বর ১ লম্ফেলগী কে ঐচ এঞ্জেলিকানা সেকেন্দ অমসুং স্কুল অসিমক্কী লৈশাংথেম রুপনা থার্দ তাখ্রে। চহী ১৩ দগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ব্লু গ্রুপ্তুনা মণিপুর পব্লিক স্কুলগী লুক্রাম অমোনা অহানবা, চিতন্বরা ইংলিশ স্কুলগী ভেনিশ কৈশামনা অনীশুবা অমসুং কানন দেবী মেমোরিএল স্কুলগী কে এস ঐচ গোপীনাথনা অহুমশুবা তাখ্রে হায়রি।

## ফাউন্দেসন দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫(ঐচএনএস):
ওল মণিপুর গোর্খা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ৫০শুবা ফাউন্দেসন দে য়ুনিয়ন অসিগী কংলাতোংবীদা লৈবা ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু গ্রেটর ইম্ফাল, উখ্রুল, সেরৌ, এস পি জি টি, টোরিবারি, ইরং, সেনাপটি, লৈমখোং, চারহজার, মোটবুং, কলাপাহার অমসুং চুড়াচান্দপুরনচিংবা মফমদসু পাঙথোকখি হায়না ওল মণিপুর গোর্খা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্টনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ঙসি কংলাতোংবীদা পাঙথোক-খিবা থৌরম অদুদা চিলচিল এসিয়ন মিসন স্কুলগী হেদমাষ্টর সিতারাম কাফ্লে, ওল মণিপুর গোর্খা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট এল বি অধিকারি, য়ুনিয়ন অসিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট অনিল কুমার দহালনচিংবনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। ওল মণিপুর গোর্খা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী গোল্ডন জুবিলীগী থৌরমসু ষ্টেট লেবেল ফঙ্কসন ওইনা লাক্লিবা দিসেম্বর ২৭ অমসুং ২৮ দা কংলাতোংবীদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

## এম য়ুদা পন্দিট দীন দয়াল উপধ্যায়গী মরমদা নেসনল সেমিনার পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫(ঐচএনএস):
সেন্টর ফোর ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপ এন্দ স্কিল দিভলপমেন্ট স্কুল ওফ সোসল সাইন্সেস মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা শীন্দুনা *পন্দিট দীন দয়াল উপধ্যায় এন্দ হিজ ৱার্ক ইন কন্টেম্পররি ইন্দিয়া* হায়বা হীরম অসিদা নোংমগী ওইবা নেসনল সেমিনার অমা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সি-টিগী কোর্ট হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রো. অধ্যা প্রসাদ পান্দেনা চীফ গেষ্ট, প্রো. সী ঐচ ইবোহল মীতৈ, দিরেক্টর সেন্টর ফোর ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপ এন্দ স্কিল দিভলপ-মেন্ট মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা প্রসিদেন্ট, প্রো. এন লোকেন্দ্র, দিন, স্কুল ওফ সোসল সাইন্সেস মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমসুং প্রো. অরুন কুমার সেক্সেনা, এম ঐচ আর দি প্রোফেসরনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোলদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী প্রো. অদ্যা প্রসাদ পান্দেনা হায়খি, মণিপুরদা রিছোর্স মরাং কায়না লৈ। রিছোর্স কয়া অসি ঐখোয়না মতম চানা অমদি মতাং চানা শীজিন্নরবদি সোসিও ইকনমিক কন্দিসন ফগৎহনবতা নৎতনা ইমপ্লোয়মেন্টদসু চাওরবা মতেং ওইগনি। ঐখোয়গী লৈবাক অসি লৌউ-শিংউবনা মরুওইবা শীনফম ওইদুনা মীওই কয়াগী চাকথাক ওইরিবনি। মরম অদুনা ঐখোয়না এগ্রিকলচরগী লম্‌দা চাউখৎনবা হোৎনরবদি মীওই কয়াদা কান্নবা পীবতা নৎতনা চাউখৎ লম্বীদা খুমাঙ চাউশিনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি।

মীওই খূদিংমক্না মশা-মশাগী হৌরকফম নীংথিনা খঙগদবনি। মীওই খূদিংনা মহাক মশাগী লৈবাক অদুগীদমক করি করম্বা থবক থৌরমশিং তৌবা ঙমগনি হায়বদুসু খঙগদবনি। মতম অদুদতা চাউখৎপা হায়বদু ওইগনি। ঐখোয়না গান্ধীজিনা হায়রম্বা ৱারোল কয়া অদু নীংশিংদুনা অফবা লম্বীদা লাক্লবা হোৎনরবদি চাউখৎপগী লম্বীদা লাক্কনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

নেসনল সেমিনার অদুগী টেক্নিকেল সেসনদা *পন্দিট দীন দয়াল উপধ্যায় এন্দ হিজ ৱার্ককী ইন্দিয়ন ইকনমিক পোলিটিক্স এন্দ সোসল চেঞ্জ* হায়বা হীরম অসিদা পাঙথোকখি। লোয়ননা প্রো. অশোক মোদাক, এম ঐচ আর দি প্রোফেসরনা চেয়রপার্সন ওইখি।

অহানবা টেক্নিকেল সেসনদা কন্ত্রিব্যুসন ওফ পন্দিট দীন দয়াল উপধ্যায় ইন ইন্দিয়ন এদ্যুকেসন এন্দ ফিলোসোফি ওফ হ্যুমেনিটি হায়বা অদুদা প্রো. এন লোকেন্দ্র, দিন, স্কুল ওফ সোসল সাইন্সেস মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা চেয়রপার্সন ওইখি।

প্রো. রাজেন্দ্র ক্ষেত্রি হেদ দিপার্ট-মেন্ট ওফ সোসিওলোজি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা পন্দিট দীন দয়াল উপধ্যায় এন্দ ইন্টিগ্রেল হ্যুমেনিজম হায়বসিদা অমসুং ডো. কোইজম সোবিতা, হেদ দিপার্টমেন্ট ওফ টিচর এদ্যুকেসন মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা পন্দিট দীন দয়াল উপধ্যায় এন্দ হিজ ফিলোসোফি ওন এদ্যুকেসন হায়বা অসিদা রিছোর্স পার্সন ওইনা চে পাথোকখি।

প্রো. ঈ বিজয়কুমার, দিরেক্টর সী এস এস ঈ আই পি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা পন্দিট দীন দয়াল উপধ্যায় এন্দ হিজ থোথ এন্দ ফিলোসোফি ওন ইন্দিয়ন ইকনমি হায়বা হীরম অসিদা, প্রো. কে এস ঐচ বিমোলা, দিপার্টমেন্ট ওফ পোলিটিকেল সাইন্স মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা পন্দিট দীন দয়াল উপধ্যায় এন্দ হিজ থোথ ইন ইন্দিয়ন পোলিটিক্স হায়বসিদা অমসুং ডো. ঐচ সুধির, দিপার্টমেন্ট ওফ হিষ্টোরি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা পন্দিট দীন দয়াল উপধ্যায় এন্দ হিজ ফিলোসোফি হায়বা টোপিক অসিদা রিছোর্স পার্সনশিং ওইনা ৱা ঙাঙখি।

## য়ু পি এফনা তেংবাংলকখিবা পূন্নমকপু থাগৎলক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫(ঐচএনএস):
য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ)না এথলেটিক্স এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী লমজিং মখাদা থা অসিগী ২৪ দা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মেগা মরাথোন মণিপুর ২০১৭ দা তেংবাংলকখিবা পূন্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

য়ু পি এফ মণিপুরগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি নাওরেম দিনেশনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, প্রাইজ দোনরশিং, মণিপুর অমসুং মপান লমগী প্রিন্টি অমসুং ইলেক্ট্রোনিক্স মীদিয়া হাউসশিং, ৱাই এ এস, এস এ আই, এম পি এস সী য়াওনা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস ইভেন্টশিংগী এসোসিএ-সনশিং, জেনিমস, রিমস য়াওনা প্রাইভেট হোস্পিটালশিং, প্রাইভেট নর্সিং ইন্সটিট্যুসনশিং, মেদিকেল রিপ্রজেন্টেটিবসশিং, তোঙান-তোঙানবা লম্বীদা চৎলিবা ট্রান্সপোর্ট এসোসিএসনশিং, মরাথোন রুটতা ভোলুন্টিয়র ওইখিবা রুটকী নাক-য়েৎতা লৈরিবা মীওইশিং, লোকল ক্লব/এসোসিএসন, ইন্টরপ্রাই-জেসশিং, গ্রুপশিং অমসুং এন জি ওশিং শরুক য়াখিবা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ অমসুং মশান্নশিংগী এথলেটশিং, মপান লমগী এথলেটশিং, এথলেটশিং থারকখিবা স্পোর্টস ক্লব অমসুং একাদেমিশিং, মরাথোন অসিবু ওর্গনাইজ তৌবদা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী মনুং অমসুং মপানগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী তোঙান-তোঙানবা ফুরুপকী ইচিল-ইনাওশিংবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর য়াওনা মিনিষ্টর অমসুং এম এল এশিং, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সীশিং, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পিশিং, ট্রাফিক পুলিস য়াওনা মণিপুর পুলিস পার্সনেলশিং, মণিপুরগী মনুং অমসুং মপানগী প্রাইভেট কম্পেনি অমসুং প্রাইভেট ফার্মশিং, সোভি-নিরগী আর্টিকল অমসুং এদভর্টিজ-মেন্ট কন্ত্রিব্যুটরশিং, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী দুকানশিং, মণিপুরগী সী এস ওশিং অমদি তোঙান-তোঙানবা লন্নাই মীওইশিং য়াওনা পূন্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। পূন্নমকপু য়ু পি এফ মণিপুরনা নোল্লুক্লা থাগৎপা ফোঙদোকচরি অমসুং মীয়ামগী পূকচেল চাওরবা মতেং য়ু পি এফ মণিপুরনা মতম পূম্বগী নীংশিংগনি হায়না চেরোল অদুনা হায়রি।

## নুমিৎ নীনি চুপ্না চখ্থগদবা নেসনল সেমিনার হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫(ঐচ এন এস):
সেন্টর ফোর কঞ্জ্যুমরস ষ্টদিজ, ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ পব্লিক এদমিনিষ্ট্রেসন ন্যু দিল্লিগা দিপার্টমেন্ট ওফ কমার্স, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমসুং আই আই পি এ, মণিপুর রিজনেল ব্রাঞ্চকা খূৎশম্নদুনা *কঞ্জ্যুমর প্রোটেক্সন এন্দ কঞ্জ্যুমর ৱেলফ্যের ৱিথ স্পেসল রিফরেন্স টু নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া* হায়বা টোপিক অসিদা নুমিৎ নীনি চুপ্না চখ্থগদবা নেসনল সেমিনার অমা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কমার্স দিপার্টমেন্টতা হৌদোকখ্রে।

সেমিনার হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রো. অদ্যা প্রসাদ পান্দেনা চীফ গেষ্ট, প্রো. এন লোকেন্দ্র, দিন, স্কুল ওফ সোসল সাইন্সেস মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা প্রসিদেন্ট অমসুং প্রো. রোবিতা সোরোখাইবম হেদ দিপার্টমেন্ট ওফ কমার্স অমসুং প্রো. সুরেশ মিশ্রা, চেয়র প্রোফেসর সেন্টর ফোর কঞ্জ্যুমরস ষ্টদিজ আই আই পি এ, ন্যু দিল্লিনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোলদা প্রো. অদ্যা প্রসাদ পান্দেনা হায়খি, গ্লোবেলাইজেসনগী অহোংবা লাকখিবগী মতুংইন্না মার্কেটতা মখল কয়াগী প্রদক্টশিং লাক্লে। মীওই খরনা পোৎলমশিং অসি মেন্টেন তৌই অমসুং মীওই খরনা মেন্টেন তৌদে। মদুগা লোয়ননা অতোপ্পা মখল-মখা কয়াগী পোৎলমসু থোরক্লি। মসিদা নৎতনা থিজিনবা কাঙবু অমসু থোরক্লিবনি। ইনভেন্সন ওইবা কাঙবু কয়া অমনা পুথোরক্লিবা কঞ্জ্যুমর কয়াগী ৱাখল্লোন থৈদোক্লবা পুথোরক্লিবা পোৎলম কয়া অসিগী কান্নবা অমসুং অফবা কয়া অদু খঙদোক্লবা ঐখোয়না করি তৌবা তাই হায়বদু নৈনবা তঙাইফদে। কঞ্জ্যুমর ওইরিবা ঐখোয়দা নমথাক তৌবা মীওই কয়া অমসু থোরক্লি অমদি হেন্না শেন্দোং ফংনবা হোৎনবা কাঙবু কয়া অমসু লৈরিবনি।

টেক্লিক কয়া অমা লৈবা মরম্না চপ মান্নবা কঞ্জ্যুমর কয়াগীসু টেক্নিক কয়া অদুনা লৌশিং ওইনা শীজিন্নদুনা কঞ্জ্যুমরশিংগী রাইট অদু ঙাক্লবা হোৎনবগা লোয়ননা রিছার্স ওইনা ফেকল্টি মেম্বর-শিংনা নৎত্রগা অতোপ্পা খূৎশু-খূৎলায় শীজিন্নদুনা ঙাক শেন্নবা হোৎনগদবনি। মণিপুর অসি গেট ৱে ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়া ওইবতা নৎতনা ম্যান্মারগা য়ূমথংননা লৈবা লৈবাক ওইবনা কঞ্জ্যুমরশিংনা পোৎলম কয়া লৈবদা য়াম্না চেকশিনবগী তঙাইফদা লৈ। মসিদা নৎতনা মার্কেটতসু কম্পিটিসন কয়া লাকপনা কঞ্জ্যুমরশিংনা পোৎলম কয়া লৈবা মতমদা মুন্না খল্লবা মতুংদা চেকশিন্না লৈগদবনি। মার্কেট হায়বসিদি কঞ্জ্যুমরশিংনা কন্ট্রোল তৌগদবনি। প্রদ্যুসরনা কন্ট্রোল তৌগদবা নত্তে। কঞ্জ্যুমর হায়বসি লাইগা পাঙ্খকনি। অখঙ-অহৈ কয়ানা কঞ্জ্যুমরস রাইটসকী মরমদা নীংথিনা তাকপীদুনা কঞ্জ্যুমরশিংগী রাইট মৎখিদনবা হোৎনবতা নৎতনা মসিগী মরমদা মুন্না খঙমিন্নদুনা অফবা লম্বীদা পুরক্লবা হোৎনগদবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা প্রো. রোবিতা সোরোখাইবমনা হায়খি, কঞ্জ্যুমরশিং অসি করম্না প্রোটেক্সন তৌগদগে অমদি কঞ্জ্যুমরশিংগী য়াইফনবগী মতাংদা করি করম্বা থবক থৌরমশিং পায়খৎকদগে হায়বদুগী মতাংদা নেসনল সেমিনার অসি পাঙথোকপনি। নেসনল সেমিনার অসি করিগীদমক্তা তৌরিবনো হায়বদা কঞ্জ্যুমর প্রোটেক্সন এক্ট ১৯৮৬ তা পাস তৌখ্রে। অদুবু মণিপুরদদি মসিগী এক্ট অসি ইচৎ চৎনদে। করিগী চৎনদ্রিবনো হায়বদা পব্লিক এৱ্যেরনেস লৈতবদগীনি। কঞ্জ্যুমর এৱ্যেরনেসগী ওফিস কদায়দা হাংবগে হায়না হংলুবা মতমদা কনামত্তনা হায়রক্লোই। অদুবু এক্ট অসি মার্কেটিংগীদি ওজানি। কঞ্জ্যুমর প্রোটেক্সন এক্ট হায়বসি করিনো হায়বদা, কঞ্জ্যুমরশিংগী রাইট মরুওইনা তরুকলোম লৈ। রাইট টু চুজ, রাইট টু বি সেফটি হায়বনচিংবা মখল কয়া লৈখ্রে। মরম অদুনা প্রেক্টিকেল ওইনা পাঙথোক্তুনা মপুং ফানা এৱ্যেরনেস পীদুনা দিপার্টমেন্ট অসিনা মীয়ামদা মপুং ফানা খঙহনবগী তঙাইফদবা লৈ। য়ুনিভর্সিটি খক্তনা তৌবা য়াদে। লোগী ওইবা দিপার্টমেন্টদা চৎপগী মওংদা ওইনা লৈ। মরম অদুনা মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা এৱ্যেরনেস পীদুনা মীয়াম্বু ৱাখল তাহনবগী তঙাইফদবা লৈ।

সেমিনার অদুগা মরী লৈননা সোভিনর অমসু রিলিজ তৌখি।

## মোংশাঙ্গে মখা লৈকায়দা লূ-নান্‌বগী দ্রাইব চখ্খ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫(ঐচএনএস):
স্বাছতা হি সেবা কেম্প্যেনগী শরুক অমা ওইনা আই জি পি মণিপুর নাগালেন্দ সেক্টর সী আর পি এফকী মীৎয়েং মখাদা ১০৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফনা শীন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মোংশাঙ্গে মখা লৈকায়দা ঙসি মখা তানা লূ-নান্‌বগী দ্রাইব চখ্খ্রে।

সোসল ৱেলফ্যের য়ুঠ ক্লব মোংশাঙ্গে মখা লৈকায়গী অকোয়বদা লৈরিবা মফমশিং লূ-নান্না থম্নবগী পান্দমদা সী আর পি এফকী ১০৯ বট্টালিয়ননা শীন্দুনা কেম্প্যেন অদু চখখিবনি। ১০৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী কম্মান্দেন্ট বিনোদ কুমারনা হৌদোকখিবা লূ-নান্‌বগী কেম্প্যেন অদুদা বট্টালিয়ন অসিগী সেকেন্দ ইন কম্মান্দ এন রনবির, সোসল ৱেলফ্যের য়ুঠ ক্লবকী প্রসিদেন্ট কে ঐচ হেরাচন্দ্র অমসুং ক্লব অসিগী সেক্রেটরি এ বিজেনসু শরুক য়াখি।

১০৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী পার্সনেল ১০০ রোম, য়ুঠ ক্লবকী প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরি অমসুং মেম্বরশিং লোয়ননা মোংশাঙ্গে মখা লৈকায়গী মীয়াম্না লম-তূশীৎ শেংদুনা লূ-নালহন্নবগী দ্রাইব অদুদা শরুক য়াখি হায়রি।

প্রোগ্রাম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবদা ১০৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী কম্মান্দেন্ট বিনোদ কুমারনা হায়খি, মীয়াম্না মরুওইনা মখোয়-মখোয়গী ময়ূমদা লূ-নান্না লৈনবা হোৎনগদবনি। মখোয়-মখোয়না লৈরিবা ময়ূমশিং অদু লূ-নান্না থম্বা ঙম্লবদি মফম অদু লোয়ননা লম্বীশিং লূ-নান্না থম্বা ঙমগনি। অসুম্না থবক পাঙথোক্লবদি লূ-নান্‌বা সীটি ওইবদা শোয়দনা মতেং পাংবগা লোয়ননা লৈবাক অসিসু লূ-নান্না থম্বা ঙমগনি। অকোয়বগী ক্লব অমসুং মীয়াম্না লূ-নান্‌বগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদা বট্টালিয়ন অসিনা ঙম্লিবমখৈ মতেং পাংগনি হায়না ফোঙদোকখি।

## ৱর্ল্ড ফার্মাসিষ্ট দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫(ঐচএনএস):
দিপার্টমেন্ট ওফ ফার্মাসি, গভর্ণমেন্ট পোলিটেক্নিক, তাকয়েল অমসুং অনইমপ্লোয়দ ফার্মাসিষ্ট এসোসিএসন ওফ মণিপুর অনীনা পূন্না শীন্দুনা ৱর্ল্ড ফার্মাসিষ্ট দে সেলেব্রেসন ২০১৭ ঙসি গভর্ণমেন্ট পোলিটেক্নিক্কী ওদিটোরিয়মদা *ফ্রোম রিছার্স টু হেল্‌ঠ ক্যের : য়োর ফার্মাসিষ্ট ইজ এট য়োর সার্ভিস* হায়বা থিম অসিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা ডো. কে রাজো, দিরেক্টর হেল্‌ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরনা হায়খি, মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা ফার্মাসিষ্ট মপুং ফানা তম্লবা মীওইশিং অসি য়াম্না মরুওইবা থৌদাং লৌফম থোকই। মণিপুর গভর্ণ-মেন্টনসু ফার্মাসিষ্ট লৌরি অমসুং সেন্টর কয়া হাংলি। ডোক্টরশিং অমসুং নর্সশিংগী মেনপাৱর ৱাৎপা মতমদা ফার্মাসিষ্টশিংনা ডোক্টর অমসুং নর্সকুম্না মথৌ তৌরি। ফার্মাসিষ্টশিংনা অনাবশিংবু ফার্ষ্ট এইদ পীদুনা লাক্লি অমসুং অসিগুম্বা থৌওং অসি মখা তানা অদুমক চৎনরি। সেন্টরশিংদা ফার্মাসিশিংনা মথৌ তৌবদা অনাবশিংদা থোকহল্লিবা প্রোব্লেম কয়া অদু খঙবা ঙম্লিবনি। মখোয়না নীংথিনা অনাবশিংদা হীদাক-লাংথক পীজবনা লায়েংবদা মপুং ফাহল্লিবনি।

ডোক্টরশিংনা হীদাক ইরক্লগা ফার্মাসিষ্টশিংনা পীজবনি। ডোক্টর-শিংনা অফবা হীদাক ইরক্লবসু হীদাক ফজনা চাদ্রবদি অনাবা অদু মপুং ফানা ফবা ঙম্লোই হায়বা অসিদা অনাবশিংবু এৱ্যেরনেস পীবা চঙই। য়াম্না কন্না নাদবা মীওইশিংদি ডোক্টর নৎত্রগা হোস্পিটালদা চৎত্রবসু মপুং ফানা খঙ হৈরবা ফার্মাসিষ্টশিংগা তান্নদুনা ফার্মাসিদগী হীদাক চারগা লায়েংবসু য়াই। মপুং ফানা ফজনা ফার্মাসিষ্ট তম্লবদি হীদাক চাবা মতমদা চাকখাউ হাঙনা চাবা য়াই নৎত্রগা য়াদে হায়বদু খঙনা অনাবশিংদা হীদাক পীজগনি। অনাবা মীওইশিংগী ৱাখল নুংঙাইতবা থোরকপদগীসু লায়না মখল কয়া থোকহল্লকই। হীরম অসিদা ফার্মাসিষ্টশিংগী থৌদাং মপুং ফানা লৌফম থোকই। লমদম অসিদি ডোক্টরদা লায়েংবদগী ফার্মাসিদগী হীদাক লৈরগা চাবনা মশীং য়াম্না লৈবা লমদমনি। মরম অদুনা মনুং হঞ্জিনবা অমদি চীংনুংদা ফার্মাসিষ্টশিংগী থৌদাং অসি য়াম্না মরু ওই। ফার্মাসিষ্টশিংবু লায়না লৌবা য়াদে। মখোয়বু ইকায় খুম্নগদবনি।

থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা অনইমপ্লোইদ ফার্মাসিষ্ট এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী হান্নগী প্রসিদেন্ট আর কে বোবীনা হায়খি, ফার্মাসিষ্ট হায়বা শীনফম অসি মণিপুর অমসুং ইন্দিয়াদা মীয়াম্না মশক খঙবীদে। মসিদসু নৎতনা মণিপুরদদি লাইসেন্স য়াওদবা কয়া অমসু ফার্মাসি পংফমদা ফম্নরে। ফার্মাসি ফম্লিবশিং অদু ক্বালিফাইদ ওইবসু য়াওরমগনি। অদুবু অতোপ্পা মমিং শীজিন্নরগা লাইসেন্স লৌরিবশিং অসি তৌবীগনু। ডোক্টরগা চপ মান্নবা শীনফম ওইরিবা ফার্মাসিষ্টশিংবু লান্না উহন্নবা হোৎনবীগনু। ফার্মাসিশিংবু মতেং পাংনবা হোৎনমিন্নসি।

থৌরম অদুদা কে ভানুমতি, হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট ফার্মাসি, গভর্ণমেন্ট পোলিটেক্নিক অমসুং এম ইবোমচা কন্ট্রোল্লর ওফ হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন মণিপুরনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী অরোইবদা ক্যুইজ অমসুং ইন্টরটেনমেন্ট প্রোগ্রাম কয়াসু পাঙথোকখি।

## ‘এ দি সী তমেংলোং মথৌ তৌদ্রে হায়বদু শেমজিন-শাজিনবা ৱাফমনি’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫(ঐচএনএস):
এ দি সী তমেংলোং মথৌ তৌদে হায়না ফোঙদোরকপা অদু শেমজিন-শাজিনবা অমসুং য়ূম্ফম য়াওদবা অরানবা ৱাফমনি হায়না এ দি সী তমেংলোংগী মেম্বর অমদি স্পোক্স-পার্সন ওইরিবা কে লিয়াংপিবৌনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

হৌখিবা মার্চ ২৭ তগী হৌনা এ দি সী তমেংলোং মথৌ তৌখিদ্রে হায়না ফোঙদোরক্লিবা অদু দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা গভর্ণমেন্টনা খল্লবা মীহুৎশিং অসিগী থবক থৌরমবু খঙদবগা লোয়ননা য়ূম্ফম য়াওদনা মরাল শীবা ৱারোলনি হায়রি।

এ দি সী তমেংলোং দেমোক্রেটিক এল্লাইন্স ওফ তমেংলোংগী লুচিংবা নামসিনজৈ পানমৈগী লিচিং মখাদা মপুং ফানা মথৌ পাঙথোক্লি। দেমোক্রেটিক এল্লাইন্স ওফ তমেংলোং অসি এন পি এফ অমসুং বি জে পিগা পূন্না চৎমিন্নরিবনি। মশগী ওইজবতা খনবা সোসল ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবশিং অমদি পোলিটিসিয়নশিংনা এ দি সী অসিগী চ্যেরমেনগী মায়োক্তা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্লিবা এ দি সী অসিবু মথৌ পাঙথোক্ত্রে হায়না করম্না হায়গদৌরিবনো। মশাগী প্রিন্সিপাল য়াওদবা অমসুং মশাগী কান্নবতা খনবা পোলিটিসিয়ন খরনা প্রোব্লেম থোকহন্নবা হোৎনরি।

তমেংলোং মীয়ামগী অৱাৎ-অপা অমদি ৱাকৎ কয়া অসি অথুবা মতমদা থবক ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনরি। হৌজিক্কী ওইনা মণিপুরগী এ দি সী ৬মক শেল-থুমগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরি হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

তমেংলোং অমসুং লোংমাই দিষ্ট্রিক্ট সিটিজন ৱেলফ্যের ফোরম অসি শেমজিন-শাজিনবা মীওই খরনা মশাগী কান্নবা য়েংদুনা মশানা শেমজিঞ্জবা ফোরম অমনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## মহৈশঙ মৈ থাবা য়ানিংদে : এম এস এফ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫(ঐচএনএস):
খোংজোম সাপম সাবল লৈকায়দা লৈবা বিশাল একাদেমি হায়রিবা স্কুল অসি ঙরাং অহিং নোংয়াই মতুংদা মৈ থারম্বগী থৌদোক অদুবু মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

মহৈরোয়-শিংগী মহৈ তম্ফম ওইরিবা একাদেমি অসিবু অচিকপগী খূদোংচাবা লৌরগা মৈ থারম্বা অসি মহৈরোয় খুন্নাইবু শীংনবখক্তা নৎতনা মণিপুর খুন্নাইবু শীংনবনি হায়না এম এস এফনা লৌই হায়বা ৱাফম এম এস এফ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট তেকচম রোজিৎনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি মরী লৈনবশিংনা গভর্ণমেন্ট অমদি প্রাইভেট স্কুল হায়বা থিদনা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফাবীয়ু হায়না চেরোল অসিনা তকশিল্লক্লি।

## গার্দেনরশিংগী স্কিল ট্রেনিং হৌদোকখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫(ঐচএনএস):
আই সী এ আর আর সী এন ঈ ঐচ আর মণিপুর সেন্টরনা শীন্দুনা পুং ২০০গী ওইবা গার্দেনরস স্কিল ট্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসি আই আই সী এ আর মণিপুর সেন্টরদা হৌদোকখ্রে।

স্কিল ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদু হৌদোকপগী থৌরমদা হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর কে কিপজেন, আই সী এ আর রিছার্স সেন্টর ফোর এন ঈ ঐচ রিজন মণিপুর সেন্টরগী জোইন্ট দিরেক্টর ডো. এন প্রকাশনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা তোঙান-তোঙানবা হিলস দিষ্ট্রিক্টতগী লাকপা ট্রেনী ৮না শরুক য়ারি। ট্রেনিং অসি লাক্লিবা ওক্টোবর ২৪ দা লোইশিনগনি হায়রি। নীংশিংবা য়াবদি, আই সী এ আরনা পুং ২০০গী গার্দেনরস স্কিল ট্রেনিং প্রোগ্রাম মঙা দিপার্টমেন্ট ওফ হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসননা স্পোন্সর ওইদুনা কে ভি কেশিংগা খূৎশম্নদুনা ফার্মরশিংগী স্কিল হেনগৎনবা অমসুং গার্দেন মেনেজমেন্টকী ফীভম ফগৎনবা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**SECRETARIAT : LAW & LEGISLATIVE AFFAIRS DEPARTMENT**

**NOTIFICATION**

Imphal, the 25th September, 2017

No. 1/10/98-Law(HRC)(Pt.1): Applications are invited from intending candidates for appointment to the following temporary posts for the Manipur Human Rights Commission through sponsorship of the concerned Employment Exchange of Manipur:

| Sl. No. | Name of post | No. of post | Pay scale (ROP 2010) | Nature of recruitment |
|---|---|---|---|---|
| I | II | III | V | VI |
| 1. | Accountant | 1 (one) (UR) | Rs. 5200-20200 + GP Rs. 2400 | By deputation from Departments under the Govt. of Manipur |
| 2. | Stenographer Grade III | 1 (one) (UR) | Rs. 5200-20200 +GP Rs. 1900 | Direct recruitment |
| 3. | LDC | 1 (one) (UR) | Rs. 5200-20200 +GP Rs. 1900 | -do- |
| 4. | Driver | 1 (one) (UR) | Rs. 5200-20200 +GP Rs. 1900 | -do- |
| 5. | Peon | 2 (two) (UR) | Rs. 4440-7440 +GP Rs. 1300 | -do- |
| 6. | Chowkidar –cum-Sweeper | 1 (one) (UR) | Rs. 4440-7440 +GP Rs. 1300 | -do- |

2. Examination Scheme in respect of the above posts will be notified separately.

3. Details are available in the Manipur Government website – www.manipur.gov.in

4. This issues with concurrence of Finance Department vide their U.O. No. 83/2017-2018/FD(PIC) dated 12.09.2017.

Sd/- **Nungshitombi Athokpam**
Additional Secretary (Law)
Government of Manipur

HL-B/4143/26&27 sept.